**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-11-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- ঐখোয়গী হৌরকফম পুৰারী খঙলবতদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙমগনি।

২) ১৬শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী চেয়রমেন অরবিন পানাগরিয়ানা লূচিংবা কম্মিসন অসিগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে।

৩) ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ লৌরেম্বম ইন্দিরানা হায়রি- হৌজিক রাজ্য অসিদা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইবগী চাং হন্থরক্লে।

৪) সেনাপতি জিলাদা ১৭ সুবা রিজনেল সেল ওফ আর্তিকল ওফ রুরেল আর্তিসান মেলা পাঙথোক্লি।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি গোৱাদা ইন্দিজিনস এয়ারক্রাফট কেরিয়র আই.এন.এস বিক্রান্টতগী সমুদ্রদা মল্টি দোমেন নেভেল ওপরেসন য়েশিনখ্রে।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- ঐখোয়গী হৌরকফম পুৰারী খঙলবতদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকপা ঙমগনি। মরম অদুনা ঐখোয়গী পুৰারী নৈনবা তঙাইফদে।

ৱাফম অসি ঙসি ইম্ফালগী হবার্ট স্কুলনা চহি ২৫ শুরকপা- লুপা ফুদোংবা থৌরমদা অথোইবা মীথুংগী ওইবা ৱারোলদা মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি।

মহাকা হায়- মহৈরোইশিংগী মরক্তা অথোই অহেন তান্নবগী ৱাখল্লোন লৈরবা মতমদা অফবা মহৈরোই কয়া থোরকপা ঙমগনি। মরম অদুনা লৈঙাক্কী অমদি লনাই স্কুলশিংগী মরক্তা অফবা মহৈরোই মশিং হেন্না পুথোকবা হিদান্নবা চংই। শ্রী বিরেন্না হায়- লৈঙাক অসিনসু লাইরিক ফবা মহৈরোইশিংগীদমক আই.আই.টি অমদি নিটনচিংবা পরিক্ষাশিংদা শরুক য়াবা ঙমবগীদমক ফ্রি কোচিং হৌদোকখ্রে। মখা তানা শেলগী খুদোংচাদবা মায়োকবা অদুবু য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা পরিক্ষা থানিংবা মহৈরোইশিংগীদমক্তসু অসিগুম্বা কোচিং ক্লাস অমা হৌদোকবা থৌরাং তৌরি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঐখোয়গী হৌরকফম পুৱারী নৈনবা ৱাৎপনা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরী শাগৎপদা অৱাবা ওইরি। মরম অসিনা স্কুল অমদি কলেজগী সিলেবসশিং শেমদোকবা কমিতি ফাওবা শেমলে। কমিতি অসিগী মখাদা ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইবা পুৱারীদা য়ুম্ফম ওইবা সিলেবসশিং অঙাংশিংদা তম্বীনবা পান্দম থল্লি। মসিদসু নত্তনা এন.সি.ই.আর.টিগী মখাদা নো য়োর মণিপুর হায়বা জি.কে লাইরিক অমসু অথুবদা ফোংলগনি।

মহাকা হায়- থকসি খাসি য়াওদবা খুন্নাই অমত্তনা চাউখৎপা অমদি মীকোক থোংবা ঙমদে। মহৈরোইশিংনা মশা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌশিং মশক খঙনা পাঙথোক্লবদি মানা মানা পাল্লিবা পন্থুং অদু য়ৌবদা অচৌবা মতেং ওইগনি।

থৌরমগী লোইশিল্লকপদা মিজোরমগী মুখ্য মন্ত্রি লালদুহোমানা য়ুনাইতেদ ষ্টেটসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ফোংদোকখিবা ৱাফমগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখ্ম পীরদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা- মণিপুর অমদি ভারতকী অপুনবগী শক্তমদা শিংনরকপা খুদিংমক চপ চানা থেংনগনি। লমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈদা শিংনরকপশিং লৈঙাকা চপ চানা পাউখুম পীগনি। ভারত অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা রাজ্য কয়াগী অপুনবা লৈবাক অমনি। সরকারনসু লৈবাক অসিবু অমত্তা ওইবা নুংশি চান্নবা অমদি মপাঙ্গল লৈবা লৈবাক অমা ওইহনবদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি।

কম্মিসন (এল)ঃ ১৬শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী চেয়রমেন অরবিন পানাগরিয়ানা লূচিংবা কম্মিসন অসিগী মীহুৎ কাংবু অমা ঙসি ইম্ফালদা থুংলরে। মীহুৎ কাংবু অসিনা রাজ্য সরকারগী মকোক থোংবা লূচিংবশিংগা উন্নদুনা শেন্থং পীথবগী মতাংদা কুপা খন্নগনি। মীহুৎ কাংবু অদু রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডা.সাপম রঞ্জননা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা তরামা ওকখি।

ইলেক্তোরেল (এল)ঃ  ইং ২০২৫ গী জনৱারী ১ দা ফোংগদৌরিবা থৌবাল জিলাগী ফোটো ইলেক্তোরেল রোল অসি হেন্না ফবা অমদি মপুং ফাবা ইলেক্তোরেল রোল অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা জিলা অসিগী মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু হায়না জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাসনা আপীল তৌরি।

দি.সি. থৌবালগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারগী থৌসু পুরিবা দি.সি. এ. শুবাসনা হায়- ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম লাক্লিবা ইং ২০২৫ গী জনুৱারি ১ দা ক্বালিফায়িং দেট ওইদুনা থৌবালগী ওইনা ফোংগদৌরিবা ফোটো ইলেক্তোরেল রোল ২০২৫ এন্যুএল সম্মরি রিভিজনগীদমক চহি অসিগী ওক্তোবর ২৮ দা ইন্তিগ্রেতেদ দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল ফোংখ্রে। ইন্তিগ্রেতেদ দ্রাফট ইলেক্তোরেল রোল অসিদা মীয়ামা অৱাৎ অপা হাপচিন্নিংবা, ককথৎনিংবা অমদি ৱাকৎনচিংবা তৌনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা নবেম্বর ২৮ ফাওবদা অহৈবা চেরোল পীশিল্লকপা য়াগনি। মহাকা হায়- জিলা অসিগী ওইবা ইলেক্তোরেল রোল অমা পুথোকবা নুমিৎ মরিনি চুপা অখন্নবা কেম্পেন অমা চথরগনি। মসিদা চহি অসিগী এপ্রিল ১, জলাই ১ অমদি ওক্তোবর ১ ফাওবদা মশাগী চহি ১৮ শুরবা অঙাংশিংবুস্ ফোংগদৌরিবা ইলেক্তোরেল রোল অসিদা চন্নবা ফোর্ম থাজিনবা য়ারগনি।

বোম (এল)ঃ  উখ্রুলগী জেদ.ই.ও ওফিস মমাংদা বোম থমজিল্লম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা ঙসি উখ্রুলদা লৈবা তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। জিলা অসিগী জেদ.ই.ও ওফিস মমাংদা

মহৈরোইশিংনা চথখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱারোলশিং থাবা প্লেকার্দশিং শিজিন্নখি।

মরক অসিদা, ঙরাং জেদ.ই.ও ওফিস মমাংদা বোম থমজিল্লম্বগী থৌওং অদুবু তাঙ্খুল নাগালোং অমদি তাঙ্খুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

এআর (এল)ঃ নেসনেল কেন্সর এৱারনেস ডেগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙসি নোনে জিলাগী অৱাং খুলদা লৈবা সেভিও হাইস্কুলদা কেন্সরগী মতাংদা এৱারনেস পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহৈরোই অমদি ওজাশিংনা শরুক য়াখি। লোয়ননা হকচাং ফনা লৈবা অমদি কেন্সরদগী ঙাকথোক বগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

সিএমও (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসার ডাঃ লৌরেম্বম ইন্দিরানা হায়রি- চহি অসিগী ওইনা দেঙ্গিনা নাবগী কেস অসি মরুওইনা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টতা থেংনখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি রাজ্য অসিদা দেঙ্গিগী কেস হন্থরক্লে।

ঐখোয়গী পাউমীগা অখন্ননা উন্নবদা অমদা মহাকা হায়- হৌজিক ফাওবদা ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা দেঙ্গিনা নাবগী চাং অসি লিশিং ১,০৫২ ওইরি। জিলা অসিদা দেঙ্গি লায়নাদগী ঙাকথোকবা এৱারনেস, ছোর্স রিদক্সন অমদি ফোগ্গিংনচিংবা কাপথোকপগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি। মহাকা হায়- জিলা অসিদা মরওইনা দেঙ্গিগী কেস অসি বামোন লৈকাই, খুরাই অহোংগৈ, খুরাই থৌদাম লৈকাই, খুরাই কোনসম লৈকাই অমদি তেলিপতিনচিংবা মফমশিংদা থেংনখি। লায়না অসিদগী ঙাকথোকপদা মীয়ামা লায়না অসিগী মরম খঙবা অমদি চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা চংই।

মেলা (এল)ঃ সেনাপতি জিলাদা ১৭ সুবা রিজনেল সেল ওফ আর্তিকল ওফ রুরেল আর্তিসান (সারস) মেলা পাঙথোক্লি। রাজ্য সরকারগী রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চাতিরাজ, মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহু মিসনা শিন্দুনা সেনাপতিগী সানয়ি দহারি মেমোরিয়েল স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা মেলা

অসি চীংগী জিলাশিংদা অহানবা ওইনা সেনাপতিদা পাঙথোকপনি। মেলা অসি আর.দি এন্দ পি.আরগী স্পেসিয়েল চীফ সেক্রেটরি এম.ঐচ. খান্না অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংলদুনা এম.ঐচ. খান্না হায়- মেলা অসি মরুওইনা খুঙ্গংদা লৈরিবা আর্তিসানশিংনা পুথোকপা পোৎলমশিং মীয়ামদা ফংহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। মেলা অসিনা আর্তিসানশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- মেলা অসিনা লমদম অসিগী নাৎকা মরী লৈনবা পোৎলমশিং য়োকখৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

থা অসিগী ১২ ফাওবা চত্থগদবা মেলা অসিদা সেল্ফ হেল্প গ্রুপ ১৬৬ কী তোঙান তোঙানবা ষ্টোল ৮৩ হাংদুনা ইয়োংগী পোৎলম অমদি চান থকবা পোৎলমশিং মীয়ামদা ফংহল্লি।

রাইস (এল)ঃ চান্দেল জিলাগী রিভর লেন্দদা আর.সি. মণি ফৌ সিক্সতিন মায় পাকা পানবা ঙম্বগা লোয়ননা লৌমীশিংগা পুন্না লৌফমদা চত্তুনদা নুংঙাইবা ফোংদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

আই.সি.এ.আর-কৃসি বিগ্যান কেন্দ্র (কে.ভি.কে.) চান্দেলনা ইন্তিগ্রেতেদ ন্যুত্রিন্ট মেনেজমেন্টকী মখাদা আর.সি. মণি ফৌ সিক্সতিন মায় পাক া পানবগীদমক ঙসি ফার্মরস ফিল্ড ডেগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদু মরুওইনা লৌমীশিংনা ফৌ মখল অসি থাবদা পোত্থোক অমদি শেন্থোক লৈবদা ন্যুত্রিন্ট মেনেজমেন্টকী তঙাইফদবা অদু খঙহন্নবগীদমক পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কে.ভি.কে চান্দেলগী এগ্রোনোমিগী এস.এম.এস- ডাঃ খুমলো লেভিসনা হায়- আর.সি মণি ফৌ সিক্সতিন হায়রিবা ফৌ মখল অসি আই.সি.এ.আর-আর.সি ফোর এন.ই.ঐচ রিজন মণিপুর সেন্তরনা পুথোকপনি। ফৌ মখল অসি নিংথিনা অমদি মতম চানা য়েংশিল্লবদি লম হেক্তর অমদা চাউরাকা ফৌ টন ৭ তগী ৮ ফাওবা পুথোকপা ঙম্মী।

জিরিবাম (এল)ঃ জিরিবাম জিলাগী সব-দিভিজনেল এগ্রিকলচর ওফিস লৈতবনা জিরিবাম ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ক্বাটরদা ওফিস ওইদুনা লৈরে।

জিরিবামগী বাবুপারাদা লৈবা এগ্রিকলচরগী ওফিসতা ঙসি পাউমী কাংবু অমনা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। খোঙচৎ অদুদা মফম অদুদা ওফিসকী রিগুলর ষ্টাফ অমত্তা লৈরমখিদে। হিরম অসিগী মতাংদা ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমীনা মরী লৈনবা সব-দিভিজনেল এগ্রিকলচর ওফিসারগা ৱারী শাবদা মহাকা হায়- দিপার্টমেন্ট অসিগী ওইনা মহাক থারগা পুন্না ষ্টাফ ৬ লৈ। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা ফিল্ড এসিষ্টেন্ট মরি, এল.দি.সি-ওফিস এসিষ্টেন্ট অমা য়াওরি। ওফিস অসিগী ওইনা পিওন অমদি চৌকিদার লৈতে। হিরম অসিগী মতাংদা জিরি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনেরেল সেক্রেটরি ঐচ. প্রিয়ানন্দনা নীংথমগী মরু মরাংশিং মতম চানা য়েনবা অমদি জিরিবামগী ওইনা মতিক চাবা এগ্রিকলচর ওফিস থম্বীনবা সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

কুমওন (এল)ঃ ৱিমেন্স ইনকম জেনেরেসন সেন্তর থৌবালনা চলাইবা নুপীমচা খক্তগী ওইবা চিলদ্রেন হোমগী ১৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি থৌবাং ৱাংমতাবদা লৈবা সেন্তর অসিগী শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা জেদ.ই.ও থৌবাল অরাম্বম অনিলকুমারনা হায়- হোমদা লৈরিবা অঙাংশিংবু নিংথিনা মহে মশিং তম্বীদুনা য়েংশিনবা খক নত্তনা মখোয়না পামজবা এক্সত্রা কারিকুলর এক্তিভিতিশিং খঙদোকপা চংই। লোয়ননা মখোয়দা য়াওরিবা হৈথোই শিংথোইবশিং খঙদোক্তুনা লমজিংবীরম্বগীদমক্তসু অপেনবা ফোংদোকখি।

উত্রা শঙলেন (এল)ঃ ডত্রা শঙলেন শেমজিনবনা মরম ওইদুনা হৌখিবা ইঙা থাদগী লাইফম অসিদা মীয়ামা লাই খুরুম্বা অমদি লাইগী ওইবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা য়ারমদবা অদু মপুং ফানা শেমজিনবা লোইরে। মরম অদুনা মীয়ামা হান্নগুম লাই খুরুম্বা লাকপীনবা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী চেরোল অমনা হায়রি।

এআইটিআই (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া তনজিম ই ইনসাফ (এ.আই.টি.আই) লিংখৎখিবগী ১১ শুবা কুমওন থৌরম লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা

মফমশিংদা পাঙথোকরি। নুমিৎ অসি মণিপুরদসু লিলোং হাওরৈবী তুরেল অহনবী বুয়া সলম ময়াদা লৈবা কম্যুনিতি হোলদসু পাঙথোকখি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি গোৱাদা ইন্দিজিনস এয়ারক্রাফট কেরিয়র আই.এন.এস বিক্রান্টতগী সমুদ্রদা মল্টি দোমেন নেভেল ওপরেসন য়েশিনখ্রে। শ্রীমতি মুরমুনা লানগী জহাজশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা, সবমেরিন এক্সরসাইজ, দেক বেজ ফাইটর এয়ারক্রাফট, হেলিকোপ্তর অমসুং নেবেল এয়ারক্রাফটশিংগী এয়ার পৱার দেমোন্সত্রেসন য়াওরি। মদুগী মমাংদা রাষ্ট্রপতিবু দবোলিমগী নেভেল এয়ার ষ্টেসনদা লৈবা আই.এন.এস হন্সাদা গার্দ ওফ ওর্নর পীদুনা তরামা ওকখি।

রেলৱেজ ঃ ইন্দিয়ান রেলৱেজনা হরাউ কুম্মৈ য়াউরুরগা হল্লকপা পেসেঞ্জরশিংগী য়েংলগা হয়েংদগী অখন্নবা রেল গাড়ি ১৬৪ চেল্লগনি। লাক্লিবা নুমিৎ হুমিদা রেলৱেজনা রেল গাড়ি ৪৭৬ চেন্নবা থৌরাং তৌরি।

রেলৱে মন্ত্রালয়না হায়- বিহার, নোংপোক থংবা উত্তর প্রদেশ অমসুং ঝারখন্দদা পেসেঞ্জর কোতি ৬ লাখ ৮৫ হেনবনা ইন্দিয়ান রেলৱেজগী রেল গাড়িশিং তোংদুনা চৎখি। থা অসিগী ৪ দসু পেসেঞ্জর কোতি ৩ হেন্না নোংম খক্তদা পুথোক পুশিন তৌখি।

ডেঃ ঙসি অসি জাতিগী কেন্সর এৱারনেস নুমিৎনি। নুমিৎ অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা হীরমদি-কেন্সর লায়না ঙন্না খঙদোকপা অমদি মসিগী লায়েং পথাপশিংগী মতাংদা মীয়াম পুন্না ভাব তামীন্নবা হায়বসিনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পাক শন্না লেমা স্ক্রিনিং তৌবা অমদি এৱারনেস কেম্পেইনশিং পাঙথোকরি। জাতিগী কেন্সর এৱারনেস নুমিৎ অসি ২০১৪ দা হৌদোকখিবনি। মনিপুরদসু নুমিৎ অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকরি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ --

বেদমিন্টন ঃ হাইদ্রবাদকী গাচিবাউলিদা চথরিবা এন.দি.এম.সি তেলঙ্গনা ইন্তরনেসনেল চেলেঞ্জ বেদমিন্টন তুরনামেন্ট ২০২৪ নপাগী সিঙ্গলসতা মণিপুরগী মৈরাবা লুৱাং রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা মৈরাবনা সিধার্থ মিশ্রাবু ষ্ট্রেট সেটতা ২১-৯ অমদি ২১-৭ মায়থিবা পীখিবনি।

অমরোমদা, রাউন্দ ওফ থার্তিতুগী মেটচ অমদা দিংকু কোন্থৌজম অমনি অমান মুহামদকী জ়রানা আর্থস মুহামদ অমদি সঙ্কর স্বরাসতকী জ়রাবু ১৯-২১, ২১-১৪ অমসুং ২১-১৬ তা মায়থিবা পীখি। জ়রা অসিসু মেন্স দবলসকী রাউন্দ ওফ সিক্সতিন চংখ্রে।

ৱেথলিফতিং (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ ৱেথলিফতিং অমদি পৱার লিফতিং মেন্স এন্দ ৱিমেন্স তুরনামেন্ট ২০২৪-২৫ লাক্লিবা নবেম্বর ১৮ দা পাঙথোক্লগনি। তুরনামেন্ট অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতি স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা রোয়েল একাদমি ওফ লো ওইনামনা শিনদুনা পাঙথোক্কদবনি। তুরনামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবশিংনা থা অসিগী ১৬ কী মমাংদা ইন্ত্রি ফোর্মশিং পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

যোগ (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতি স্পোর্টস কমিতিগী মীৎয়েং মখাদা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেকোলোজি (নৈলিট) অকামপাৎনা শিন্দুনা থা অসিগী ১১ দগী ইন্সটিট্যুট অসিগী ইন্দোর হোলদা অরান্বম ইবোমচা মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ মেন্স যোগ তুরনামেন্ট অমসুং অরান্বম ওংবী রুপাবতি দেবী মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভর্সিতি ইন্তর কলেজ ৱিমেন্স যোগ তুরনামেন্ট পাঙথোক্লগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা এফিলিয়েট তৌবা কলেজ অমসুং ইন্সটিট্যুসনশিংনা হয়েং নুংথিল পুং ১ ফাওবদা এন্ট্রি পীশিল্লকবা হায়রি।

------